# ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ

ঐখোয়না নহা ওইরিঙৈদদি 'জিনেটিক্স' হায়বা 'জিন' গী মরমদা নৈনবা সাইন্স অসি 'বাইওলোজি' গী চেপ্তর অমা ওইনা তম্লকখি। হৌজিক্তি 'জিনেটিক্স' খক্তদা বেচেলর্স দিগ্রী, মাষ্টর্স দিগ্রী তম্নরকপদা নত্তনা 'জিনেটিক হঞ্জিনিয়রিং' হায়বা সবজেক্ত ফাওবা থোক্লকখ্রে, পাক চাউরবা সবজেক্ত অমা ওইরক্লে। থৱায় পানবা (জীব) শিংগী মশক-মওং-মতৌ লেপ্লিবসি 'জিন' হায়বাহকচাং কয়াৎ খুদিংমক্তা য়াওবা, মীৎনা উবা ফংদবা 'মোলেক্যুল' অদুননি। মোলেক্যুল অদু জিনেটিক্স 'দি এন এ' (দিওক্সিরাইবো ন্যুক্লিক এসিদ) কৌই। অদুগুম্বা মোলেক্যুল অদুগী মশক মতৌ হোংলকপগী থবক (প্রোসেস) অদুবু কৌই 'ম্যুটেসন'। ম্যুটেসন তৌরবা মতুংদা ওইরকপা (ওল্লবা/হোংলবা) মোলেক্যুলর ষ্ট্রকচর অদুবু কৌই 'ম্যুটেন্ট'।

অসিগুম্বা 'ম্যুটেসন' গী থবক অসি পিক্ল-পিক্লবা মহীক-মতায় ভাইরস'চিংবদসু তৌই। কোভিদ-১৯ কৌবা কোরোনাভাইরস অসি হাৎনবা/মীওইবদা চঙবা ঙমদনবা সাইন্টিষ্টশিংনা হোৎনরক্লিবসি চহী অমা হেল্লক্লে। ভাইরস অসি চঙদনবা হীদাক (ভেক্সিন) পুথোক্লে হায়রিবসি চাংয়েংগী থাক্তা লৈরি, শুকশোয় শোয়দনা মায় পাক্লগদবা হীদাক অমনি হায়বদি কনানসু হায়বা ঙমদে। ভেক্সিন অসি কাপ্লবসু হান্নগুম মাস্ক উপকদবনি, সোসল দিষ্টেন্সিং তৌগদবনি, খূৎ তোয়না (সাপোন শীজিন্নদুনা) হামগদবনি, মীয়াম পূনবা য়াওরোইদবনি... হায়বনচিংবা এস ও পি ময়াম অদুদি অদুম ঙাক্না চৎকদবনি হায়বদুদি অদুম হায়বনা ভেক্সিন পুথোক্লে হায়বসিগী কান্নবা করিনো? হংনরক্লিবসি হংফম থোকপদুনি।

হৌজিক্তি, থোক্লনি খনবদুমক থোক্লরে। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক'কী সেকেন্দ ৱেভ (অনীশুবা ঈথক) হৌরক্লে। মহীক অসিগী অনৌবা শক্লোন (ভেরিয়েন্ট/ম্যুটেন্ট) থুংলরে। কিহল্লিবরা/খঙহল্লিবরা খঙদে, হায়নৈ/ঙাঙনৈ-অনীশুবা ৱেভ অসিনা হান্নদগী হেন্না তমথীগনি, সাইন্টিষ্টশিংনা পুথোকখিবা টিকা (ভেক্সিন) অসিদি হান্নগী মহীক অদু থেংননবা শাখিবনি, অনৌবা ষ্ট্রেইন অসিদি ভেক্সিন অসিনা মায়োক্নবা ঙম্লোই। হেন্না নুংনাংনীংঙাই ওইরিবা ৱাফম অমনা - ইন্দিয়াদা হৌরক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ঈথক অসিদি অকক্নবা (নিংথিনা মশক খঙলবা) 'ম্যুটেন্ট-ভাইরস' অসিনা থোকহনবনি হায়বা খঙদবা অসিনি। সাইন্টিষ্টশিংনা পুথোক্লিবা ভেক্সিন অসিবু করিমত্তা কান্নফম খঙহন্দে হায়নরিবা য়ু কে অমদি সাউথ অফ্রিকা ষ্ট্রেইন অনীমক ইন্দিয়াদা য়ৌরকখ্রে। অসিতসু নত্তনা ব্রাজিল অমসুং অমেরিকাদা ম্যুটেৎ তৌখিবা মহীক্তুসু ইন্দিয়ন - ষ্টেটশিংদা য়ৌরকখ্রে হায়বগী রিপোর্টসু লৈখরে। মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা পোক্লকখিবা 'ইন্দিয়ন-ম্যুটেন্ট'সু লৈরমগনি শোয়দনা, থিজিন-হুমজিন তৌবশিংনা থিজিন্দবদগী খঙদবা। অনৌবা মহীক অসিগীদমক মীয়াম্না হেন্না মীপাইনীংঙাই ওইরিবদি - হান্নগীদুনা হকচাংদা চঙখ্রগা মথৌ তৌবা হৌরকপদা নুমিৎ খরনি (মঙানিগুম্বা) মতম লৌবদু অনৌবসিনদি খুদক্তা হৌবা ঙম্বদুসু অমনি। অদুগা, মথৌ তৌবা হৌদুনা হকচাং কয়াৎ শোকচিনহল্লবা ফাওবদা লায়নাসিগী লায়ওং উৎথোক্তবা, অনাবা অমনা নারে হায়বা খঙদবা অসিনা খুদোংথিবা নংবগী চাংসু হেনগৎহল্লি।

কোভিদ-ভেক্সিন পুথোক্লে হায়বা ৱাখলসিগী মথক্তা মতম শাংনা লোকদাউন তৌরুবগী চৈনাদুনা অকনবা ইকোনোমিগী চৈথেং ফংবনা লৈঙাক্না পীবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর কয়া থওইনরক্তবা, নারুরগা নাবা ফরকপগী চাং ৱাংখৎলকপা অসিনচিংবদগী ইন্দিয়াগী সহর অয়াম্বদা কোভিদ-১৯ থওইদবগী চাং হেল্লকখি। অচৎ-অওকশিং মাস্ক উপ্নরকখিদে, সোসল (ফিজিকেল) দিষ্টেন্স ঙাক্নরকখিদে, মাস-গেদরিং হেনগৎলকখি। অদুগুম্বা মীওইদুনা ময়ূমদা সেনিটাইজর শীজিন্নরমগনি/সাপোন শীজিন্নদুনা তোয়না খূৎ হাম্লমগনি হায়বা ৱাখলদুদি খল্লুদবনা ফগনি। ইনফেক্সন তৌবগী চাং হন্থরে খনখিবদুনা লৈঙাক ওথোরিটিনসু মহীক পকই/পক্তে 'টেষ্ট' তৌবগী চাংসু হন্থরকখি। মণিপুরগী বোর্দর তাউনশিংদা, ইম্ফাল-এয়রপোর্ট'তা কোভিদ-টেষ্ট তৌরকখিদবা কয়াম কুইরে? পূম্নমক্না খঙনরবনি।

হৌজিক্তি ইন্দিয়া পূম্বদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা শায়োন অসিনা পাক্না শন্না লান্দারক্লে, হান্নগীদুদগী হেন্না শাথীবা শক্লোন অমা লৌরক্লবা য়াই হায়বসি হান্নদগী ঙাঙনরক্লবনি, ঙাঙনরি। কনানসু থওইনদে। দেল্লীগী হজরট নিজাম্মুদ্দিন'গী তবলিঘি-জমাৎ'তা হাকুম, মুসলমান-লাইনীং শন্দোকপশিংগী অচৌবা মীফম অমা ফমখিবদু নীংশিংনরমখিনি ময়ামদু। ৱাথোক্তুগা হাইফেৎ মান্নবা হিন্দু-লাইনীংবা-সাধু লিশীং-লিশীংনা খুজিং ওইদুনা মফি-মতৎ থোংদুনা, কনাগুম্বনা মফি শুকশেৎ শেত্তনা হরিদ্বারদা পাঙথোক্লিবা কুম্ভ-মেলাগী শরুক অমা ওইনা, মমায়দা মাস্ক উপ্তুনা, অমগা অমগা কৃক-কৃক ইন্ননা চৎলিবা, পুল্লপ-পুল্লপ গঙ্গাগী ঈচেলদা ঈরুপমিন্নরিবা, মখোয়গী মরক্তা সাধু লিশীং কয়াসু কোভিদ-পোজিটিভ ওইরক্লবা, সাধু-লুচিংবা অমসু (মহামন্দলেশ্বর কপিল দাস, চহী ৬৪) কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিখ্রবা - থৌদোক অসিদি ৱাথোক অমা ওইনা কনানসু নৈনদে। পাউচেশিংনসু মরু ওইবা পাউ অমনি খন্না খনগত্তুনা ফোঙবসু তৌনদে। ষ্টেট মরিদা পাঙথোক্লিবা মীখলসিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা মীখল-রেল্লিশিংদা কোভিদ-১৯ এস ও পি কনানসু নীংশিংদে। অদুগা, লৈঙাকপশিংনদি হায়গনি - কোভিদ-১৯ ন্যু স্ট্রেইন মায়োক্নবা - অচৌবা চেল্লেঞ্জ অমনি। অদুগা, মীচম ঐখোয় মসিমসু খঙই, মদুদি - মমাঙ চহীদা নুমিৎ নীনিগী মতম পীরগা নেসনল লোকদাউন লাউথোকখিবা অদুগুম হন্দক'মুক্তি শুকলাউ লাউথোক্লোই। মরমদি 'টোটেল লোকদাউন' লাউথোকপদা, চেঙ-চাক লেম্না য়েন্নবা, তঙাইফদনা চঙগদবা শেনফমদু লৈবাকসিগী শেঙ্গাওদা য়াওদরে। রিজর্ভ বেঙ্কতা লৈরম্বা 'সরপ্লস-ফন্দ', হান্না তেংনা লৌথোকখরে। কোভিদ-১৯ (ফার্ষ্ট ৱেভ) মায়োক্নবা কাইথোকখিবা শেনফমদগী মিনিষ্টর কয়া ক্রোপতি ওইহৌবগী পাউ তানখি। ষ্টেট খরদদি মিনিষ্টর মশেল কোভিদ-১৯-কোন্ম্বেট তৌবগী ৱাহৌদা উংখৎনবা, মিনিষ্টর ফম লৌথোকপগী ৱাথোক ফাওবা থোকখিবগী পাউ তাখি। মদুগী অখাবা এক্সপরিয়েন্স অদুননি, সেকেন্দ ৱেভকী তমথীবা অকিবা লৈরবসু তোটেল লোকদাউনগী মহুৎ পার্সিয়েললোকদাউন হায়বা ৱাহৈ অমা শীজিন্নরক্লিবা লৈঙাকসিনা। নুমিদাং-মতমদা কর্ফিয়ু থম্বা, মচি মচিদা লোকদাউন লাউথোকপা, এস ও পি অনৌবা লাউথোকপা অসিনচিংবা থৌরাং অসিনা কোভিদ-১৯-সেকেন্দ-ৱেভ লাকশিনবা ঙম্লি থাজদে। নোংমদা হেনগৎলকপা 'অনৌবা-কোভিদ-১৯-কেস' মশীংনা লাখ অনী-অহুম হেনগৎলক্লবদা 'তোটেল লোকদাউন' নত্তবা অতোপ্পা করম্বা পাম্বৈ অমা মোদিগী কোক'তা লৈরমগদবনো? মদুমদি খঙবা ঙমদরে। মমাঙ চহীদা ইটলিদা থোকখিবা য়েংহৈদ্রবা শক্তমদু হৌজিক মুম্বইদা উবা হৌরক্লে।

*-সোইবমচা ইন্দ্রকুমার*

ৱারী ককনাউ

## থাবলগা কোরোনাগা

"সুক য়াম খোইদৌ শাওগৎপসিবু কাইদৈ লৌরুদুইনো?" নিশা ৱাওরি ৱাওরি পাল্লবা তাইচানা মনাকোংদগী ফারকপা মাস্কতু খদাং য়ৌনা চিংথরগা চবেং চবেং ঙাঙলগা লাকই। মায় মতৌদুদা লৈকায়গী মনাওশিং থোকপা বুঙোনা খাম্মী।

"তাইচা কৈদৌরে? কৈগীনো য়াম শাওনা লাকইদা, কনানা করি হায়রক্লে?"

"ইবো য়াম শাওনীংই, হাকুমসু থাবল চোংহৌদে, কুমসিদি নীং তেকখৈ চোংথোক্লে খনবনি, নঙগী কোরোনা হায়দুনা থৎখ্রেদনা। য়ানা য়ানবা খরা খরা চোংহনবা য়াবনি অদুবু হেক্তা থিংজিল্লি"

"থিংইসি ফৎত্রো? নৎত্রদি তপ তাখৈ নারোইদ্রো?'

"থাবল চোংঙগা হেক্তা নাবা হেল্লদ্রো?

"সেকেন্দ ৱেভ লাক্লে হায়দনা তৌরিসি তাইচাবু তাদ্রো?"

"অদুই ৱাদুদনি ঐনা ঈ কারিসে। মহারাষ্ট্রদা, কেরলাদা, পঞ্জাবতা, দেল্লীদা নাবগী মশীং হেনগৎলক্লিসি মোই অদুৱাইদু থাবল লোইনা চোংব্রো?"

"কাইদৈ ৱানোদা তাইচা, থাবল চোংবা হায়দুদি মৈতৈগীনি, মৈতৈ তাবা লম খরদা চোংবসি নত্তনা কাইদা চোংলুনেগে?"

"থাবল চোংদবা মফমদা অদু য়ৌনা হেনগৎলিদুদদি করি করি থিংই? কৈ কান্নবা হেঞ্জিল্লিনি, হেঞ্জিল্লিবা"

"হোয় অদুবুদি চুম্বা, অদো তাইচা করিগীনো তাইচানা থাবল থিংলগা অদুক য়াম শাওরিদুবো?"

"বুঙো, ঐগী চহীসি কয়া শুরে খঙব্রা?"

"খঙদে"

"মীঙোন্দা হায়দোক্লনু, ঐ চহী নিফু হেল্লবনি, পুন্সি তঙ্খাই য়ৌরবনি, ঐ নুপীসু থিদ্রিদনা, নঙনা খনবদা ঐসি নুপীগাইদু থিনীংদবোই খনবরো? য়াম শাথীনা থিনিংঙিজ াৎনি, ফরক অমা তাদনা তৌরিনি। হন্দক্তি ফবা ফত্তবা থাবল চোংবদা অমত্তা য়েংহৌগে তৌবনি, মথং চহীদদি খু কাং লোইনা নারক্লনি, অদুদদি কাইদৈ থাবল চোংঙুদুইনো? অদুগা কৈসু ইতৌ তৌদবদা থোক হেক্তা থিংজিল্লি"

"হা হা হা, তাইচাগীসি চুমদি য়াম চুম্মীনে"

"চুমদদি, ভোট খোম্বদা, মীতিং তৌবদদি এস ও পি ঙাকপরা, লেংগা লেংগা থেংনরগা মী লিশীং লিশীং তিনবদদি মোইসু মাস্ক অমত্তা উপ্তখৈ, ৱা অদু ঙাঙই, মোই মোইনা ভোট কানবা, তারিবা ময়াম অদুগী মপূক্লিং পেন্নবা খূবাক খূনবা ওইদ-পাদবা ময়াম অমা ঙাঙশিল্লি। অদুদদি কোরোনা লৈতেনে, থাবল চোঙবা, শুমাং লীলা তৌবদনা কোরোনা হেক লৈবা, য়ানীংদেকো ঐ য়াম য়ানীংদে হায়সিনিকো, থাবলগা কোরোনাগা মতৈ থোক্লবদু ঙাইরেনে"।

"হায়সু হায়নি তাইচা, তাইচাগী মতেং ঐখোয়না পাংবা য়াবসু পাংজগে, তাইচানা হায়রপ খনবা কনা কনা লৈগে অমুক্তা হায়বীয়ুবা?

"কোকথোং অমা লৈ, নঙনা কৈসু তৌবা ঙম্মোই"

"হায়দা হায়বীয়ু"

"কান্নরোই বুংঙো, অতূম্বা থম্মোয় হৌদোক্নু"

"হায়রদি লাইবক য়েংনীদনা"

"ঐনা হেক চপ চানা খনবদি হন্দক লুহোংখ্রে"

"হা হা হা হা! অদুদি অতৈদি লৈত্রবরা?"

"লৈরি কান্নরোই, নোইনা ঐগী মতেং কৈমতা পাংবা ঙম্বা নত্তে"

"অদো মমিংদুদদি হায়বীয়ুদনা"

"হায়য়ুরা?"

"হায়য়ু"

"সোমা, বিজু, নঙ হায়বা ঙমগদ্রা?

"ইহ! অমা লুহোংখ্রে হায়দুদি?"

"বলা..."

"অস! তাইচা নঙগী হোপ খুচাদুদি ওইরোইদা, অদু নত্তবা খরসু য়েংঙুদনা"

"য়াম য়েংঙন্মবনি, ঐগী চহী লোঙ্গাদি অমত্তা লৈহৌদ্রে কো বুঙো, লোইনা মচা লৈনখ্রে, মদু ফরক তারনি"

"অশ! তাইচাগীসিদি য়াম লুইবো?"

"হন্দক থাবল থিংদ্রসু তাইচানা খল্লিদুদি ওইদৌ মান্দেবো?"

"অদু ওইরসু বিট লৌবা ওইনা মোই মোই লৈকায়দুদা থাবল চোংবা চৎকনিদনা, পায়দ্রফাওবা, য়েংদা ওইরসু য়েংজরদি চহীসি খরা নৌথোক্লোইদ্রো? কান্নদে, বুঙো নোইনা ঐবু নুংশিরদিনে, ঐনা খনবা খন্দবা প্রপোজ হেক্তা তৌশিল্লু, ঐ অদুম ইয়া য়াইকো"

তাইচাদু ঙাঙ-ঙাঙদুনা অদুম চৎখ্রে। বুঙোনা মাই মতৌদুদা মথন্তা শিথ-শিথ নোক্তুনা লৈহৌই।

"অঙকপনিকো হে মীওইবা, ৱাখল হায়সিনদি মনীং তম্বনিনা, খন্নীংবদা খনবদা কনামত্তনা থিংবীনবা লৈতেকো, তাইচানা অসিগুম্বা ৱাখল খল্লম্মীসি মা কৈসু লানজ দে, অদুবু নোক্তি ফজনা নোক্নীংঙিহে হা হা হা হা..."

**— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

## অথোকপম উমাবতিগী 'থম্মোয়নুংগী থম্মোয়সিদা' শৈরেং লাইরিক অসিনা পুরিবা পাউজেল

অইবা-অইবীশিংনা মহৌশা মালেম অমদি তাইবঙ মীওইবগী ওইরিবা তোঙান-তোঙানবা শকলোনশিংসিবু য়েংদুনা ফজ হন্নিংবা, শেম্নিং শানিংবা, হেন্না অৱাংবা থাক্তা পুখৎনীংবা ফবতা ওইহঞ্জনীংবসি মখোয়গী অপাম্বনি। খোরিরোলগী পান্দমদি মীওইবগী পুন্সি অমদি মহৌশা মালেম অসিবু অফবা থবকশিংদা লাচনবদুনি, পুৱারী ইবদুনি অফবগী অদুগা অশোয়বা নুংঙাইতবা, পেঞ্জদবা অদু পুথোক্তুনা নৈনবদুনি। লোয়ননা ৱাখল খল্লিবা মীওইববু ৱাখল তাহনবদুনি। 'থম্মোয়নুংগী থম্মোয়সিদা" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ৫১ য়াওরি। অইবীনা লৈশারিঙৈ মতম, মপাম লমদমদা লৈরিঙৈদগী



অথোকপম উমাবতি

হৌনা ইরকপা শৈরেংশিং অসিগী খোঙচৎ অসিনা মোইরাংদা য়ূম পাল্লবা মতুং কুমজা ২০১৭তা ফোঙবা লাইরিক অসিদা তোঙান তোঙানবা থিমদা ইবা থেংনৈ। নোংপোক সঞ্জেনবম, ইম্ফাল, মোইরাং, শিল্লোং, গুৱাহাটি, বোরজোলা, মোরে, থাঙ্গ করাং হায়রিবা মফমশিংদা চৎলুবা, লৈরুবা, মসিদা ফাওরকখিবা পূক্লিংগী মপাউ কয়া অদু তন্লি। লাইরিক অসিদা 'নঙ ঐগী খোঙচৎতো' হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিনা হৌরগা 'নহাক লৈরম্বনা' হায়বা শৈরেং অসিনা লোইশিল্লি। অইবীনা পুন্সিগী তাঙ্কক অমা ওইরিবা অঙাং ওইরিঙৈ মতম, মথোৎ কারকপা মতম, পুন্সিগী থৌদাং লৌরকপা, অখাং কনবী লৈখিদ্রবী অইবীগী নুংশিরবী মবোক নীংশিংদবা লৈতে। পুন্সিগী পোৎলুম্না ফনা লূমদুনসু থৌনা অদুদি হনবা লৈতে। 'নঙ ঐগী খোঙচৎতো' হায়বা শৈরেংসিদা কবিনা অসুম্না হায়রি, *'নোকনা নোকনা থোঙ্গৎখি/লূম্লবা পোৎলুম অমা/নঙগী কোকথক্তা/খোঙচৎ অদুগী অহানবা খোঙথাং/অদুদগী খোঙথাং/খোঙথাংগী মথংদা খোঙথাং/অদুবু ঐদি চোকথখিদে।"* পুন্সি খোঙচৎকী লোইনাইদনা পুন্সি ঈশৈ শকচনীংই।


ঈংনা চিক্না লৈরম্বা মণিপুরগী লৈমায়দা লালহৌবগী ঈরাং লাকশিন্নবগী মিংদা সাহুম কন্না পাইশিল্লকখিবা মিলিটরিগী শক্তম অদু অইবীনা মহাক্কী 'লোক্তাক্কী কেমোফ্লেজ" হায়রিবা শৈরেং অসিদা য়েক্লি। থম্মোয়দা য়ানীংদবগী খোল্লাউ অমদি লাওরি, *লোক্তাক্কী ঈশিংগা/মখোয়গী চোর্কোন মচুগা/কৈসুসু মান্নদে/কৈসুসু পকচদে'* করম্না পকচগনি ঈংলবা লোক্তাক্কী ঈপাক মহাক্কালানগী শক্তম লোয়নদুনতা লৈরবা মীয়ামগী লৈঙাকপু ঙাক্লিবা মখোয়গা। অমুকসু কবিনা লম্মুক্নরবা খুন্নাই সিগী মীওইশিং অমদি নীংতম্ববু কোয়তান তান্নদুনা শান্নরিবা লৈবাক নীংবা মপারিশিংদা নীংশিংহল্লি মমা লৈবাক নুংশিবা হায়বদু করিনো হায়না। অদুনা 'নীংতম্বগী চৈনা' হায়না মিংথোনবা শৈরেংদা অসুম্না ইরি, *'লানগী অতেক অকায় মরক্তা/মোংফম ঙাক্তগী লৈমায়দা লেপ্তুনা/হৌনা লাওরকই খোনফম কায়না/নীংতল্লে নীংতল্লে, মীখা পোন্দ্রে অমুক/লানগী মৈখু ৱাংনা কাখৎলকই/মীকপ মীরাওখোল হেন্না কনখৎলকই/নীংতল্লবা মচাশিং ফূনরি, হাৎনরি/নীংতম্বগী ময়াই কাবা মখূৎশিংনা/অশিবগী মশীং থিরদুনা শান্নরি'* লান অমসুং নীংতম্বা হায়বসিদি মীওইবগী কল্লক য়েংথিবা অমদি করাম চাওবা শাজৎ অদুনতা থোকহল্লি হায়বসি নাকোয়ননা ইঙ্গিৎ পীরি। লান হায়বসিনা করিসু পুরকপা লৈতে হায়বা পাউজেল পুরি।

অয়াম্বা কবিশিংদা য়াওবা অদুগা মখোয়গী পুন্সিদা হেক হেক ইতৎ তত্তনা তৌবা কলপনাগী তাইবঙ অমদা লুপচদুনা মসিগী লৈকোলদা চৎচদুনা কোয়না চেন চোংদুনা শান্নজনীংবগী অপাম্বা অদুসু 'থৱাম্মীচাক মরক্তা' হায়বা শৈরেং অসিদা য়েক্লি। অদুনা কবিনা থেঙলবা অহিংগী অতিয়া মকোয়দা থোক্লিবা তগুপ তরেং ঙাল্লিবা থৱাম্মীচাক চরোং চরোংবু নুজাগী শমজিগী লৈতেং ওইদুনা কেজবা পামজরুই। তাইবঙগী মৈশা পূম্বা কোকহন্দুনা ঈংনা লৈজনীংবা অদুবু মতাং অসিদা ফোঙদোক্লি।

নুপী ওইনা পোক্লুবা মপোক্তা থেংনরিবা খুন্নাইগী মীনোক মৈশা, কল্লক খম্বনবা, তুহৎপীবা, লান থোকহল্লিবসি মখোয়ননি, ফত্তবীনি, অশোয়বা খিবিকপুনা নুপী ওইবীশিংদা মরাল শীজিন্নবা হোৎনবা অদুগা অমুকসু ফজবগী শক্তম শৈথারকপদসু মহাক্তা পুশিন্দুনা য়েকপা পূম্নমক অদু করিগুম্বদা য়াম্না য়ানীংদে, মরম চাদে হায়বা অদুগী অমসুং নুপী ওইনা কৈদৌনা শেম্লন্লিবনো তাইবঙ শেম্বা মপু মহাক্না হায়না ৱাহং কয়া মথং মথং হংলি মহাক্কী শৈরেং 'নঙসিবু নঙ কৈদৌ ওইরন্লিবনো' অদুবু ওইনীংদুনা ওইবদি নত্তে। মরম অমদি লৈরি হায়বদু য়ানীংই।

শিবা নাইদ্রবা মোইরাং কংলৈরোলগী মপাউ তল্লিবা অদুগা মতম খুদিং ইনৌতা নৌদুনা লৈরিবা লায়র মচা খম্বা অমদি মোইরাং নিংথৌগী অমত্তা পোকচবী মমোম থাদোই থোইবী, শাবী শানৌ অনীগী নুংশি ৱারীবু ফজরবা সিম্বোলদা পুথোক্লক্লি 'শংবান্নবী ঐ নঙগমক্তি কায়ননিংদ্রি' হায়না। মসিদা কবিনা মোইরাং, মণিপুর, লোক্তাক অমদি মহৌশাগী ফজবা শক্তম, থায়নগী চিনবুংদা লাকপা ঐখোয়গী কলচরগী মশক অদুবু মাঙহঞ্জনীংদবগী, ঙাক্তুনা থমজনীংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লি। অইবীনা মহাক্কী পুন্সিগী তাঙ্কক কয়াদা থেংনবা থৌদোকশিং, উখিবা তাখিবা পূম্নমক্তগী অসুম্না শৈরেংগী লৈচল ওইনা পাউজেল কয়া পীদুনা ইরকপসি পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওই।

**— তোংব্রম অমরজিৎ**




লাইরিক্কী মমিং :- **থম্মোয়নুংগী থম্মোয়সিদা**

অইবী :- **অথোকপম উমাবতি**

অফোঙবা :- ইমাখোল অৱাং পোৎশংবম, ২০১৭

লাইরিক মখল :- শৈরেং

লাইরিক লমায় মশীং :- ২০০

লাইরিক্কী মমল :- লুপা ১৯০/-

## ইচা মনিমতুম

লুহোংবা ফনা কুইরবা মতুংদা ইবেচা অমদি মনিগী মচানুপা অমা ফংজখি। মনি চেক শূদুনা হিংবা মীওইনি। ইবেচাসু এঞ্জাং-নাপি থাদুনা লৈজবী নুপীনি। মনি পৈশা য়াম্না পায়বা মী নত্তে অদুবু মচাগীনি হায়রবদি মনাগী সনা, মঙক্কী লিক, খূৎকী খুজি, খোঙগী খোঙজি অমত্তা ৱাৎহন্দে, পৈশা পায়বা অমদগী তাদে। হৌজিক্তি অঙাংদো য়াম্না নুংশিরে চহী ৪/৫ শুরে। মচানা ঙাঙথোক্লকপা ৱাঙাঙ, তৌথোরকপা মতৌনা ইবেচা অমদি মনি পুমশুম শুখ্রে। মখোয়দি লায়রদনা লৈকায়গী মীফাও অঙাং অদুগী মতৌ অদুদা নুংশিদবা য়াওদরে।

অসুম্না লৈরিঙৈ নোংমা ইবেচানা ইরুজরিঙৈ মখোয়গী মচাদো মফম খঙদনা মাঙখি। ইবেচা মচাবু কোয়থি থিখি অদুবু ফংখিদে।

মনিসু পাউ তাবদগী মচাবু কোয়থি থিখি অদুবু থিবদা ফংবা কৌবা লৈতরে।

নুমিৎ নীনি হৌজিনখ্রবা মতুংদা মীসু চঙনদবা মফম অমদা অঙাং অমা লৈরে হায়দুনা য়েংনরুবদদি মখোয়গী মচানুপাদো ওইরম্লে। মহাক্কী হকচাংদা মপানা থোনজবা মনাগী সনা, মঙক্কী লিক, মখূৎকী খুজি অমদি মখোঙগী খোঙজি অমত্তা য়াওরমদ্রে।

মাঙখিবা মচানা লমহাংদা থৱায় য়াওদবা হকচাং ওইনা তাদুনা লৈবা উবদা করম্বা মমা-মপানা খাংদুনা লৈবা ঙমগনি।

ইবেচা নোং খোংবগুম মচাগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদু কোন্দুনা কপখি। মতম কুইনা মমিৎতা মচা উবা ফংলক্ত্রবা মতুং মচানুপা অমা ফংজরে খন্দুনা হরাওজরুবা ইবেচাগী পুন্সি মীকুপ খরগী ওইরম্লে।

কনা লৈতে, করিসু তৌবা ঙম্লোই হায়বগী মতৌগুম তৌবা অদুদা লৈকায় হুপ্না থোক্লিবা থৌদোক অদু কনানা তৌবনো হায়বা থিগৎলুবদা গুলি চাবা অমনা গুলি চানীংঙাই লৈতবদগী অঙাংগী সনাশিংদু থৎলবা মতুং অঙাং অদুনা হায়দোরক্কনি কিবদগী অঙাং অদুবু হাৎপা ওইরম্লে। লৈকায় মীয়াম্না গুলি চাবা অদুবু চৈরাক পীনবা থিরকপা মতমদদি মহাক পুলিসতা চংজরম্লে।

লৈকায় মীয়াম হৌদুনা ৱাকৎ মীফম চথবগা লোয়ননা মীহাৎপা ফাঁসি তৌদুনা হাৎলু হায়বা খোল্লাউ কয়া লাওরবসু তাবীখিদে। অশিবনা মাঙজে হায়বা অদুনি। মীয়ামগী ঈহৌসু কুইরক্লবনিনা তোকখি। কনাদবুদি তাইনরুনি মীচং-শঙ্গ লৈতবা মখোয়গীদি।

ইবেচা অমদি মনিগী পুন্সি নোংম-নোংমগী অমম্বগী ইরোলনুংদা লুপখিবগুম তৌরি। চাগনি-থক্কনি হায়বা খঙদবমখৈ মচাগী ৱাখলদা ককঙাওনবা হায়বদু ওইরে। য়ূমথোঙ খুদিং চঙদুনা হংখি ঐগী 'ইচা মনিমতুম' লাকপ্রা হায়না। মতমনা কনাবুসু ঙাইবীদে, হৌখি মতমদি অসুম অসুম। মচা কায়নবগী মৈচাক্না ইবেচা অমদি মনি অঙাওবগা পাঙ্খক ওইরবসু শোঞ্জখি মখোয়গী মচিন্দা 'ইচা মনিমতুম-ইচা মনিমতুম'...।

*- এস কে নাওরেম*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।